# কোংগ্রেসকী কর্মিশিংনা গভর্ণরদা মেমোরেন্দম পীশিনবা লাকপদা পুলিসকা চাওনা মুক্নখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৫ (ঐচএনএস):
লৌমীগী হক মৎকনু, লৌমীবু শেঞ্জাও পায়বগী খয়াৎতা লংশিনগনু, ফার্মর য়াওদনা চীঞাক লৈরোই, সেভ ফার্মর, সেভ দিমোক্রেসি, রিপীল এন্টি-ফার্মর ফার্ম লো, লৌমীগীদমক কোংগ্রেস পার্টিনা লেপ্লি অমদি মোদিগী রুলস অসি ফার্মরশিংগীদি অমন্না নুমিৎশিং হায়বা খোল্লাওগা লোয়ননা ঙসি মণিপুর প্রদেশক কোংগ্রেস কম্মিটি, য়ুথ কোংগ্রেস অমদি মণিপুর প্রদেশ মহিলা কোংগ্রেস কম্মিটিগা পূন্না খূৎশম্নরগা মণিপুরগী গভর্ণরদা মেমোরেন্দম পীশিনবা লাকপদা পুলিসকা চাওনা মুক্নখ্রে।




টিম অমনা সী এল পিগী লীদর ও ইবোবী, এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট গোবিন্দাস কোন্থৌজম, সী দব্লিয়ু সীগী মেম্বর গাইখাঙম, ফোর্মর স্পীকর টিঐচ লোকেশ্বর, এম পি সী সীগী ওফিস বিয়ররশিংনা লুচিংদুনা য়াম্লবা কোংগ্রেস কর্মিশিংনা গভর্ণরগী ওফিস তম্না ঘেরাও তৌবা লাকখি। মদুদা মশিং য়াম্লবা পুলিস পর্সনলশিং নমখায়রম্লগা চৎখি। মতুংদা ত্রেজরি ওফিস মপা য়ৌরকপদা পুলিসকা চাওনা মুক্নরবা মতুংদা অমুক হল্লকখি। অদুগা বি টি রোদতা প্রোটেষ্ট তৌখি।

মণিপুর প্রদেশ মহিলা কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট মুতুম শর্মা, য়ুথ কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট মহানন্দ, এম পি সী সীগী জেনরেল সেক্রেটরি হরিস্বর গোস্বামিনা লুচিংদুনা গভর্ণর উনবা চৎখি। মখোয়না চঙদ্রিঙৈ মমাঙদা য়ুথ মহিলা ভোলুন্টিয়র ময়াম্না কোংগ্রেস ভৱন্দগী প্রোটেষ্ট রেল্লি অমা গভর্ণর গেট তম্না চঙশিল্লকখি।

মখোয়না গভর্ণর উনবা চঙখিবা কাঙবু অদু গভর্ণরগী ওফিসল কাঙবুনা পুশিন্দুনা গভর্ণর উননবা ঙাইদুনা লৈখি। পূং অমরোম হেন্না গভর্ণরগী বঙ্গলো মনুংদা লৈরবা মতুংদা কোন্না গভর্ণর তূন্লি, পোত্থারি হায়বদগী গভর্ণরগী সেক্রেটরিদা মেমোরেন্দম পীরম্লগা ময়াম অদু অমুক কোংগ্রেস ভৱন তম্না হল্লকখি।

চত্থরিবা প্রোটেষ্ট অদুগী মতাংদা এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা হায়, ঙরাং ফাওবদা ফার্মরশিংনা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৌমীশিংনা ফার্মর বিলগী মায়োক্তা খোঙজং চত্থবদা ফার্মর ৬৩রোম শিরে। ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা শিরিবা মীওইশিং অদুগী অৱাবা ফাওবা ফোঙদোক্তে। মহাক অসি মীয়াম্না ভোট পীরগা মী ক্রোর ১৩০রোমগী মথক্তা মপী-মপা ওইরিবনি। অসুক য়াম্না মীনুংশি লৈতবা প্রাইম মিনিষ্টর অসি ইন্দিয়া অসিদা অমুক হন্না লাক্কদবা মান্দ্রে।

ঙসি চৎলিবা রেল্লি অসিদি অৱাবা খাঙদুনা ফার্মরশিংগী মায়োক্তা শেমখিবা লো অহুম অদু খূদক্তা নরেন্দ্র মোদি লৈঙাক্না হন্দোক্কদবনি হায়দুনা ফার্মরশিংদা সোলিদরিটি উৎপা ওইনা রেল্লি অসি চৎপনি। মসি ইন্দিয়াগী মফম খূদিংদা ইন্দিয়ান নেসনল কর্মিশিংনা শীন্দুনা চৎপা রেল্লি অমনি। ঙসিসু মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস পার্টিনা অৱাবা কয়া নংদুনা লৈরিবা লৌমীশিং অসি শৌগৎতুনা মখোয়গী তুংদা ঐখোয় পূম্নমক্না লেপ্লি হায়রি।

অমরোমদা সী এল পিগী লুচিংবা ও ইবোবীনা হায়, ফার্মরশিংনা তাল্লিবা দিমান্দ অসি মরম চাবা দিমান্দনি। ইন্দিয়া অসি লৌমীশিংনা চাদা ৭০গী মথক্তা লৈবা লৈবাক অমনি। লৌমীশিংনা তাল্লিবা দিমান্দ অসি লৌমীগী মায়োক্তা লৈবা ফার্ম বিল অহুম্বু রিভিয়ু তৌবীয়ু হায়বনি। লৌমীশিংগী শেল-থুমগী ফিভম ফহনবা হায়বসি নেসন অসিগী ইন্টরেষ্টনি। মরু ওইনা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা হৌজিক ইন্সুরেন্স পীরিবা অসি মিনিমম সপোর্ট প্রাইজ এম এস পি সি হায়না খঙনরিবা অসি মখোয়না অইবা ওইনা ইন্সুরেন্স পীগে হায়বা ফার্মরশিংনা হায়রিবনা মদু হান্না পার্লিয়ামেন্টতা পাস তৌরগা এক্ত ওইনা থম্বীয়ু হায়বনি। মসি এক্ত ওইনা পার্লিয়ামেন্টতা পাস তৌরগা এক্ত ওইনা লৈখ্রগদি মসি পাক-হেক ৱিদ্রো তৌবা য়ারোই। মদুনা এম এস পি সী অসি পার্লিয়ামেন্ট অদু অমুক হন্না পুথোক্তুনা পাস তৌদুনা এক্ত ওন্থোকপীয়ু হায়রি।

অনীশুবদা, ইলেক্ট্রিসিটিগী বিল ফার্মরশিংদা সবসিদাইজ পীবা অসি অমুক হন্না খন্নবীয়ু। খরা হেন্না সবসিদাইজ ওইবীয়ু হায়রি।

# ফাইনেল ইলেক্টোরেল রোল ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৫ (ঐচএনএস):
মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা এসেম্বলি কন্সটিট্যুএন্সি ৬০গী ইন্টিগ্রেটেদ ফাইনেল ইলেক্টোরেল রোলশিং ঙসি মরী লৈনবা ইলেক্টোরেল রেজিষ্ট্রেসন ওফিসরশিংনা ফোঙখ্রে।

হীরমসিগা মরী লৈননা লম্ফেল পাৎতা লৈবা সী ঈ ও ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা জোইন্ট চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর রমানন্দ নোংমৈকাপ্পমনা হায়খি, ঙসি এসেম্বলি কন্সটিট্যুএন্সি ৬০গী ইন্টিগ্রেটেদ ফাইনেল ইলেক্টোরেল রোলশিং ফোঙলে। ঙসি ফোঙলিবা ফাইনেল ইলেক্টোরেল রোলশিং অসি কোভিদ-১৯গী লাইচৎ মরক্তা কুমজা ২০২০গী নবেম্বর ১৬তগী দিসেম্বর ১৫ ফাওবদা চত্থখিবা স্পেসল সম্মরি রিভিজন প্রোগ্রামদা যূম্ফম ওইরগা ফোঙবনি। ফাইনেল ইলেক্টোরেল রোলশিং অসিগী মতুংইন্না মণিপুরদা হৌজিক অপূনবা ভোটর ১৯,৫৮,০৮৭ শুরে। মসিগী মনুংদা নুপা ভোটরনা ৯,৫১,৪০৯; নুপী ভোটরনা ১০,০৬,৫৮১ অমসুং থার্দ জেন্দরগী ভোটর ৯৭ য়াওরি। অহানবা ওইনা নুপা ভোটরদগী নুপী ভোটরনা হেল্লে। হেল্লিবা নুপী ভোটর মশীংনা ৫,১৭২নি।

মহাক্না হায়খি, কেম্পেয়ন অসি চত্থরিঙৈ মনুংদা ফোর্ম সিক্সতা ক্লেইম ৫০,৫৫৩ লাকখি। মসিগী মনুংদা ভেরিফিকেসন তৌরগা ক্লেইম ৪৭,৩০১ এদমিট তৌখি। মসিগীসু মথক্তা ফোর্ম সভেন্দা ওবজেক্সন ১১,৮৫৫ লাকখি অমসুং ওবজেক্সন ১১,০৪২ এক্সেপ্ট তৌখি। লৈখিদবা, লৈফম হোংবা অমদি হঞ্জিন হঞ্জিন য়াওরম্বা ভোটর ১১,০১১সু ককথৎখ্রে। ষ্টেট অসিদা হৌজিক অপূনবা পোল্লিং ষ্টেসন ২৮৯৪ লৈরি। মসিগী মনুংদা অর্বান এরিয়াদা পোল্লিং ষ্টেসন ৬০২ অমসুং রুরেল এরিয়াদা ২২৯২ য়াওরি।

ভোটর ১৯,৫৮,০৮৭ অসিগী মনুংদা ইলেক্টরস ফোটো আইদেন্টিটি কার্দ ভোটর ১৯,৫৭,৬৯২দা ফংহনখ্রে। চহী অসিগী জন্যুৱারী ২৫দা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা ঈ পি আই সী ইলেক্ট্রোনিক ফোর্মদা লোঞ্চ তৌনবা থৌরাং তৌরি। মীয়াম্না, ভোটরশিংনা অমদি পোলিটিকেল পার্টিগী মীহুৎশিংনা ফাইনেল ইলেক্টোরেল রোলশিং অসি মরী লৈনবা ইলেক্টোরেল রেজিষ্ট্রেসন ওফিসরশিংগী ওফিসতা চৎতুনা ভেরিফাই তৌবা য়াগনি। মখোয়না সী ঈ ও মণিপুরগী ৱেবসাইটতসু য়েংবা য়াগনি হায়নসু জোইন্ট সী ঈ ও রমানন্দ নোংমৈকাপ্পমনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

পাউগী মীফম অদুদা সী ঈ ও মণিপুর ওফিসকী ওফিসলশিং ওইনা এন অঙনজাও অমসুং লৌক্রাকপম সুজাতাসু শরুক য়াখি।

# ঙসিদগী নুমিৎ মরিনিগী নিংথম কৈহৈ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৫ (ঐচএনএস):
নুমিৎ মরিনিগী ওইবা নিংথম কৈহৈ (ফেষ্টিভেল ওফ দান্স দ্রামা) ইম্ফালগী জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমি (জে এন এম দি এ) গী ওদিটোরিয়মদা হয়েংদগী হৌরদুনা পাঙথোক্কদৌরি।

একাদেমি অসিগী দিরেক্টর (ইনচার্জ)না থোরকখিবা চেরোল অমনা হায়বদা, থা অসিগী ১৯ ফাওবদা নুমিৎ ৪নি চুপ্না চত্থগদৌরিবা নিংথম কৈহৈগী থৌরম অসি একাদেমি অসিগী প্রদক্সন য়ুনিটকী ৪৫ শুবা ফাওন্দেসন দেগা মরী লৈননা পাঙথোকপনি হায়রি। হয়েংগী অহানবা নুমিৎকী ফেষ্টিভেল হৌদোকপদা একাদেমি অসিমক্কী ৪৩শুবা প্রদক্সন ওইরিবা দান্স দ্রামা 'ভগবদঅজুকম' উৎকনি। দান্স দ্রামা অসি সংস্কৃত লোলদা বোদ্ধয়ানা কবিনা ইরম্বনি। অদুগা মণিপুরীদা হন্দোক্তুনা কোরিওগ্রাফ তৌবনা একাদেমি অসিগী প্রদক্সন য়ুনিটকী দান্সর এন সুরেন্দ্রজিৎনি হায়রি।

নুমিৎ ৪নিগী ফেষ্টিভেল অসি হৌদোকপদা একাদেমি অসিগী হান্না ভাইস চ্যেরমেন ওইরম্বা প্রো: ঐচ তোম্বী অমসুং একাদেমি অসিগী থবক্তগী পোত্থাখ্রবা প্রধাণ গুরু এম কামিনিকুমারনা মথংশীৎনা চীফ গেষ্ট অমসুং প্রসিদেন্ট ওইগনি হায়রি।

একাদেমি অসিগী প্রদক্সন য়ুনিটকী ফাওন্দেসন দেগী থৌরম অসি হৌখিবা চহী ৭-৮ লোমগী মমাঙদগী তোঙান তোঙানবা একাদেমিগী এক্টিভিটিশিংগা লোয়ননা পাঙথোক্তুনা লাক্লিবনি হায়রি।

ফেষ্টিভেল অসিগী মনুং চন্না নুমিৎ খূদিংগী নুংথিল পূং ৪ তারকপদগী উৎকদবা অতোপ্পা দান্স দ্রামাশিংনা থা অসিগী ১৭তা লম্বোই খোংনাংমখোঙগী মণিপুরী জগোই মরুপকী আর্টিষ্টশিংগী শ্রীকৃষ্ণ বালয়া লিলা, থাসিগী ১৮দা লম্বোই খোংনাংমখোঙগী পালগী আর্টিষ্টশিংনা উৎকদবা গীতা গোবিন্দ (নৃত্য-নাত্য) অমসুং অরোইবা নুমিৎ থাসিগী ১৯গী নুংথিল পূং ৪দনা গুরু কুল্লা কলচরেল একাদেমি, ইম্ফালগী আর্টিষ্টশিংনা লৈনমগী শক্তমঃ স্বামি বিবেকানন্দ উৎকনি হায়রি।

# পি ঐচ ঈ দিনা লীন সীজর রোষ্টর হৌগদৌরি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৫ (ঐচএনএস): কাংচুপ ৱাটর ট্রিটমেন্ট প্লান্টনা লৈমখোং তুরেলগী রো ৱাটরগী ঈমায় নেমখিবনা মরম ওইরদুনা প্লান্ট অসিনা পুথোক্কদবা ট্রিটমেন্ট তৌরবা ঈশিংগী চাং য়ৌনা পুথোকপা ঙমদবনা মরম ওইরদুনা কঞ্জুমরশিংদা ঈশিংগী নোর্মেল সপ্লায় পীবা ঙম্লোইদৌরে হায়রি।

ৱাফম অসি পব্লিক হেল্থ ইঞ্জিনীয়ারিং দিপার্টমেন্ট (পি ঐচ ঈ দি) দব্লিয়ু/এস মেন্টিনান্স দিভিজন নম্বর-১গী এগজিক্যুটিভ ইঞ্জিনীয়ারনা থোরকখিবা চেরোল অমদা হায়বনি।

মহাক্না হায়, হায়রিবা মরমশিং অসিদগী কাংচুপ ট্রিটমেন্ট প্লান্টকী সপ্লায় জোনশিংগী মনুং চল্লিবা লমশাং, লাংজিং রিজর্ভরনা কোনবা মফমশিং, তেরা, সয়াং, থিয়াম লৈকায় জোন, ইরোইশেম্বা, উরিপোক, লম্ফেল, নাগামপান, পাওনা কৈথেল, নেপ্রা মেঞ্জোর জোন, সগোলবন্দ সলাম লৈকায়, ৱাহেংবম লৈকায় অমসুং কৈশাম্পাৎ জোননা কোনবা বাবুপাড়া, কৈশামথোং কবুই খুল, ইরোম পুখ্রি জোন, হাওবম মরক জোন, চিংথাম লৈকায় জোনশিংদা খুদোংচাদবশিং অসি মায়োক্নরগনি হায়রি। মরমশিং অসিনা লোয়শঙ অসিনা লীন সীজন রোষ্টর চত্থবা হৌরক্লগনি। মসিদা কঞ্জুমরশিংনা ৱাটর সোর্ছশিংগী চাং নোর্মেল লেভেলদা লাক্ত্রিবা ফাওবদি খুদোংচাদবা অসি মায়োক্নবীনবা ফোঙদোরক্লি।

# এৱেয়ের্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৫ (ঐচএনএস): ৱাবগাই এসেম্বলি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুং চন্না লৈবা মাইবম কোঞ্জিলদা অপূনবা মীয়ামগী শঙলেন্দা নোংমগী ওইবা কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক অমসুং ওল্দ এজ পেন্সনগী মতাংদা এৱেয়ের্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট সোসিয়েল ৱেলফেয়ের ওফিস ককচিং, কংলৈ লৈমরোল শিন্দম লুপ অমসুং কংলৈ ইনাৎ শিন্দম লুপকা খূৎশম্নদুনা এৱেয়ের্নেস প্রোগ্রাম অদু পাঙথোকখিবনি।

এৱেয়ের্নেসকী থৌরম অদুদা ৱাবগাই এসেম্বলি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ এমদি ফজুর রহিমনা অথোইবা মীথুং, কংলৈ লৈমরোল শিন্দম লুপকী প্রসিদেন্ট সগোলশেম লিলি লৈমনা থৌরম মপু জিল্লা পরিষদ মেম্বর এমদি ফকুরউদ্দিন, দি এস দব্লিয়ু ককচিংগী অরাম্বম কামেশ্বর, উচিৱা গ্রাম পঞ্চায়তকী প্রধাণ ৱাংজম প্রেমাবতিনা অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা দি এস দব্লিয়ু ও ককচিংগী এ কামেশ্বরনা কোভিদ-১৯ অমদি ওল্দ এজ পেন্সনগী মতাংদা মীয়ামদা ৱাখল তামিন্নবগীদমক ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি।

# 'ৱার ওন দ্রগস'তা সিম্পোজিয়ম কম্পিটিসন পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৫ (ঐচএনএস):
মণিপুর কোলেজ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ননা শীন্দুনা 'ৱার ওন দ্রগস' হায়বা টোপিক অসিদা ষ্টেট লেভেল ওনলাইন সিম্পোজিয়ম কম্পিটিসন অমা পাঙথোক্কদৌরি।

য়ুনিয়ন অসিগী দিবেট এন্দ এক্সটেন্সন সেক্রেটরি লোংজম সনাথোই মীতৈনা থোরকপা চেরোল অমনা হায়বদা, সিম্পোজিয়ম কম্পিটিসন অসি থা অসিগী ২৩গী অয়ুক পূং ১০ তারকপদগী হৌরগা নুমিৎয়ুংবা মতুং ১.৩০ তারকপা ফাওবা চত্থগনি হায়রি। হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা কম্পিটিসন অসিদা শরুক য়ানীংবা কম্পিটিটরশিংনা মিনিট ৪ শাংবা ভিদিও রেকোর্দ অমমম ৱাটচপ নম্বর-৯৬১২৫৭৯৭৯১/ ৮৯৭৪৮৮২৫০৯দা হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা থাজিল্লক্কদবনি হায়রি। অদুগা কম্পিটিসন অসিদা মকোক মথং তারবশিংগী প্রাইজশিংনা মথংগী নুমিৎ জন্যুৱারী ২৪দা য়েন্থোক্কনি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়বদা, কম্পিটিসন অসিগী অহানবা মনাদা সর্টিফিকেট অমসুং মেমেন্টোগা লোয়নবা লুপা ৩,০০০; অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা মনাশিংনা মথংশীৎনা সর্টিফিকেট অমসুং মেমেন্টোগা লোয়নবা লুপা ২,০০০ অমসুং ১,৫০০ পীগনি। লোয়ননা মরিশুবা পোজিসনদগী ১০শুবা পোজিসন ফাওবগী কম্পিটিটরশিংদা কন্সোলেসন প্রাইজ অমসুং সর্টিফিকেটশিং পীগনি। অকুপ্পা মরোলগীদমক টেলিফোন নম্বর-৯৬১২৫৭৯৭৯১ অমসুং ৬৯০৯৯৩০২৭৩দগী খঙবা য়াগনি হায়রি।

# উরেপ উয়ুং তমখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৫ (ঐচএনএস):
সেকমাই এসেম্বলি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুং চন্না লৈবা কংলাতোম্বী এ আর কোলোনিদা নৌনা দুর্গা মন্দির অমা শাননবা ঙসি মণিপুর বিল্ডিং এন্দ আদর্স কন্সট্রক্সন ৱর্কর ৱেলফেয়ের বোর্দকী চ্যেরমেন সেকমাই এ সীগী এম এল এ হেখাম দিঙ্গোনা উরেপ উয়ুং তমখ্রে।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ঐচ দিঙ্গোনা ফোঙদোকখিবদা, কংলাতোম্বীদা গোর্খা কম্যুনিতিগী ওইনা মমাঙ থাদা মল্টিপর্পজ কম্যুনিতি অমা উরেপ উয়ুং হান্না তমখ্রে। মতুংদা ঙসি দুর্গা মন্দির অসি অমুক শানবা উরেপ উয়ুং তম্বগী ফিরেপ অসি লৌখিবনি। মসি মতম কুইনা নিংলকপা ঈশ্বরদা কৎকে খনখ্রবা ৱারেপ্নি। মসি অথুবা মতমদা শাবা লোইশিনগনি হায়খি। এম এল এগী অপোকপা লৈখিদবা হান্না এ সী অসিগী এম এল এ ওইরম্বা দা: ঐচ বোরাজাওনা ইহান হান্না দুর্গা মন্দির শানবা উরেপ উয়ুং তল্লিবা মফম অসিগী নাকলদা কম্যুনিতি হোল অমা শাবীরমখি। সেকমাই এ সী অসি চাওখৎ লম্বীদা পুরক্নবা এম এল এনা অঙম্বা থাক্তা হোৎনরগনি হায়খি।

তুংদা এম এল এনা কংলাতোম্বীদা নৌনা শাগৎলিবা কংলাতোম্বী গোর্খা কম্যুনিতি হোল, কংলাতোম্বী হিন্দি হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী নৌনা শাগৎলিবা শঙনচিংবসু য়েংশিনখি।

# তরেৎশুবা ৱাকফ বোর্দকী পেনেলশিংগীদমক এপ্লিকেসন কৌরি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৫ (ঐচএনএস):
৬শুবা মণিপুরগী ৱাকফ বোর্দকী টর্ম মমাঙগী কুমজা ২০২০গী জুন ৫দা লোইখিবনা মরম ওইরদুনা ৱাকফ এক্ট, ১৯৯৫গী সেক্সন-১৩গী মখাদা ৭শুবা ৱাকফ বোর্দ লিংখৎকদবনা মরম ওইদুনা বোর্দ অসিগীদমক পেনেল অমা শেল্লগনি হায়রি।

ৱাফম অসি মণিপুর লৈঙাক্কী সেক্রেটরিয়েট ঃ মাইনোরিটি এফ্যের্স দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী অন্দর সেক্রেটরি কোসোমি ফিমুনা থোরকপা চেরোল অমনা হায়বনি।

থা অসিগী ১১দা থোকখিবা নোটিফিকেসন অসিগী মতুং ইন্না টাওন প্লান্নিং নৎত্রগা বিজিনেস মেনেজমেন্ট, সোসল ৱর্ক, ফাইনান্স নৎত্রগা রিভেন্যু, এগ্রিকলচর অমসুং দিভলপমেন্ট এক্টিভিটিশিংদা প্রোফেসনল এক্সপরিয়েন্স লৈরবা মুসলিমশিং অমসুং সিয়া অমসুং সুন্নি থিওলোজিগী শকখঙলবা মুসলিম স্কোলারশিংনা পেনেল অসিগীদমক এপ্লায় তৌরকপা য়াগনি হায়রি। মসিগীদমক মীওইশিং অদুগী ফুল পার্টিক্যুলর/বাইও-দাটাশিং চেজম অমদা ইরগা মুসলিম নুপী নৎত্রগা নুপাশিংনা নোটিফিকেসন অসি থোকখিবা নুমিৎতগী পারগা চয়োল অমগী মনুংদা সেক্রেটরি (মাইনোরিটি এফ্যের্স)তা পীশিল্লক্কদবনি হায়রি।

# সিক্যুরিটি মীট পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৫ (ঐচএনএস):
ইন্দিয়ন আর্মি দেগা মরী লৈননা আসাম রাইফলসকী ক্রূপনা শীন্দুনা ইম্ফাল ইষ্টকী শগোলমাংদা সিক্যুরিটি কোওর্দিনেসন মীট অমসুং এক্স সর্ভিসমেনশিংগা ইন্টরেক্সন তৌবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না আই জি এ আরগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মীফম অদুদা এক্স সর্ভিসমেনশিং, ভিলেজ চ্যেরমেনশিং, ক্লবকী মেম্বরশিং অমদি মৈরা পায়বী কয়াসু শরুক য়াখি। ইন্টরেক্টিভ মীট অদু এক্স সর্ভিসমেনশিংনা লৈবাক অসিগীদমক মখোয়না লৌরম্বা থৌদাংশিংবু শকখঙদুনা ৭১শুবা রি পব্লিক দেগী থৌরমদা ইকায়খুম্নবা উৎননবা হোৎনবদা পাঙথোকখিবনি।

রি পব্লিক দেগী মাঙওইননা ইম্ফাল ইষ্টকী শগোলমাং অমসুং অকোয়বদা লৈরিবা মফমশিংদা পামদবা থৌদোকশিং থোকহন্দনবগীদমক ৱাখল তামিন্নখি। লোয়ননা লমদম অসিদা ঈং তপ্পা পুরক্নবগীদমক অসাম রাইফলসকা মীয়ামগা হেন্না অফবা মরী লৈহন্ননবসু হোৎনরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# তোঙান তোঙানবা লৈকায় ২৭কী ইমুং ৪১দা ৱাটর ষ্টোরেজ টেঙ্কশিং তেংবাঙখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৫ (ঐচএনএস):
সঙাই এক্সপ্রেসকী মপু নিসিকান্ত সাপমনা তোঙান তোঙানবা লৈকায় ২৭কী শেল-থুম শোত্থনা লৈবা ইমুং ৪১দা লিটর ৫০০গী ৱাটর ষ্টোরেজ টেঙ্ক অমমম ঙসি তেংবাঙখ্রে।

তেংবাঙ মরুপ কৈশামথোংনা শীন্দুনা সেগা রোদ থৌদা ভাবক লৈকায়দা লৈবা অনৌবা মান্দবতা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা ৱাটর ষ্টোরেজ টেঙ্কশিং অদু খূৎশিন্নখিবনি। লৈকায় ২৭ অসিদা লৈরিবা মেম্বর ১৫/১৫ লৈবা তেংবাঙ মরুপশিংনা দ্রো অনীরক ওৎলবা মতুংদা থা খূদিংগী মীওই ২/২ খনগৎলগা ৱাটর ষ্টোরেজ টেঙ্ক অসি পীবনি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা নিসিকান্তনা হায়খি, খুন্নাই অসিদা অৱা অনা নংলবশিংদা অঙম্বা তেংবাঙ তৌজবনি। মতুংদসু মীয়াম্না মপূং ফানা কোওপরেসন পীবিরবদি ঐহাক্কী মায়কৈদগী পাংবা য়াবশিং পাংনবা হোৎনজগে হায়নসু ফোঙদোকখি।

ৱাটর ষ্টোরেজ টেঙ্ক য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা প্রিসাইদ তৌখিবা সোরাইসম কেসোরামনা হায়খি, কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎনা অৱাবা কয়া মায়োক্নরবা মতমদা নিসিকান্তনা ইমুং কয়াদা তেংবাঙবীখি। যূম শাবা ঙমদবশিংগী যূম শাবীখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখিবা কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরগী চ্যেরমেন ওইরম্বা ডা. হামোম নবচন্দ্রনা হায়খি, যূম অমগী তঙাইফদনা মথৌ তারিবা ষ্টোরেজ টেঙ্কশিং ঙসি ফংহল্লিবা অসিগী মতুং তারকপদা তেংবাঙ মরুপ কৈশামথোংনা শেন্থোক লম্বী লৈহন্নবগী স্কিমশিং পায়খৎলকপদা মীয়াম্না তেংবাঙ পীবিয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

# হকশেলগী পাউজেল লাইভ ফোন-ইন প্রোগ্রাম

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৫ (ঐচএনএস):
দূরদর্শণ কেন্দ্র পোরোম্পাৎ ইম্ফাল ইষ্টকী হকশেলগী পাউজেলগী প্রোদ্যুসরসু ওইরিবা প্রোগ্রাম একজিক্যুটিভ টিঐচ ব্রজবিধুনা থোরকপা চেরোল অমদা, থা অসিগী ১৮ অমসুং ২৫দা তোঙান তোঙানবা টোপিক অনীদা হকশেলগী পাউজেল লাইভ ফোন-ইন প্রোগ্রাম টেলেকাষ্ট তৌগনি হায়রি।

অহানবা নুমিত্তা চাইল্দ হেল্থ ক্যের দ্যুরিং কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক হায়বা টোপিক অসিদা মাদর্স ক্যের চিলদ্রেন হোস্পিটাল এন্দ রিসর্চ সেন্টর, ইম্ফালগী দিরেক্টর দা: কেঐচ রতনকুমারনা এক্সপর্ট ওইগনি। অদুগা অনীশুবা নুমিৎকী টোপিকনা হার্ট দিজীজেস অমসুং কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক হায়বসিনি। টোপিক অসিদনা রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেসকী মেদিসিন দিপার্টমেন্টকী প্রোফেসর অমসুং হেদ দা: ধনরাজ চোংথাম (এম দি-দি এম কার্দিওলোজি)না এক্সপর্ট ওইগনি হায়রি। হকশেলগী পাউজেল লাইফ ফোন-ইন প্রোগ্রাম অসি হায়রিবা নুমিৎ নীনি অসিগী নুংথিলগী পূং ৫.৩০ দগী ৬.৩০ ফাওবা টেলেকাষ্ট তৌগনি হায়রি।


## ꯈꯪꯍꯟꯕ / খঙহঞ্জবা

লৈখিদ্রবা ঐগী অপোকপা শ্রী লাইশ্রম নানৌ সিংহ পী: মৃ: অঙাঙয়াইমা সিংহ সাং পোইরৌখোংজিলদা লৈরম্বগী মিংদা লৈবা ফৌরেল লৌফম পাট্টা নং অরিবা ২৯.১৫, অনৌবা ৪০৬, দাগ নং ৮৫, এরিয়া ০.৫০ খুলগী মমিং তুলিহল নং. ১০৩, দিষ্ট্রিক্ট ইম্ফাল ইষ্ট, সব-দিভিজন, কৈরাও বিত্রা অসি মচানুপা শ্রী লাইশ্রম রঘুমনি সিংহগী মৃ: লাইশ্রম নানৌ সিংহ ঐঙোন্দা মিং ওঞ্জবা তারে। হীরম অসিদা কনাগুম্বা য়েৎপীনিংবা মীওইশিংনা ঙসি তাং ১৫/০১/২০২১ দগী পারগা লাক্লিবা তাং ২৭/০১/২০২১ ফাওবগী মনুংদা য়েৎপীবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপ্তি (অয়েৎপা) অমত্তা লৌজরোই।

Sd/- শ্রী লাইশ্রম রঘুমনি সিংহ
পোইরৌখোংজিল, য়াইরিপোক
তাং ১৫/০১/২০২১

HL-P/6707/16



ADMISSION OPEN

PHOENIX ENGLISH COACHING

SPOKEN ENGLISH & ENGLISH GRAMMAR COURSES FOR ALL AGES
ALONG WITH X & XII ENGLISH CRASH COURSES
FOR MANIPUR BOARD & COUNCIL

PLEASE CONTACT 8974642764 FOR DETAILS
KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL LAIMAYUM LEIRAK, IMPHAL

HL-B/6689/10/1-7/2(alt)


## OFFICE OF THE NONGMAIKHONG GIRLS AIDED PRIMARY SCHOOL

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Dated : 14/01/2021

Nongmaikhong Girls (Aided) Primary School গী ছাত্র-ছাত্রিশিংগী Guardian শিংদা খঙহঞ্জরি। মদুদি স্কুল অসিগী অনৌবা কম্মিটি মেম্বর খনগদৌরিবা অসিদা Office of the Moirang D.I. না Approved তৌবিরবা Guardian শিংগী মরক্তগী মেম্বর অনী খঞ্জগনি। মসিগীদমক্তা ওইবিনিংবা Guardian শিংনা তাং ২০-০১-২০২১ ইং ফাওবগী মনুংদা স্কুলদা নোমিনেসন ফাইল তৌবীয়ু। তাং ২২-০১-২০২১ দনা স্ক্রুটিনি তৌজগনি। ইলেক্সননা তাং ২৫-০১-২০২১ ইং নিংথৌকাবা নুমীৎকী নুংথিল পূং ২ তাবদা স্কুলগী ওফিসতা পাঙথোকচগনি। মথক্তা হায়রিবা মফম মতম অসিদগী হেনখ্রবদি দায়ত্য লৌজরোই।

Sd/- **NIngthoujam Okendro Singh**
Head Master (in-charge)
Nongmaikhong Girls Aided
Primary School

HL-P/8588/16

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST, HIYANGTHANG

**Ref :- Mutation Case No. 35/SDC/IW/H/2021**
1. Soibam Ekendra Singh S/o (L) S. Kullachandra Singh of Mongsangei Mayai Leikai. (0.40335 acres)
2. Lehendra Soibam S/o S. Ekendra Singh of -do- (0.40335 acres)
3. Edwin Soibam S/o S. Ekendra Singh of -do- (0.40335 acres)

-Vrs-

Soibam Kulchandra Singh S/o (L) Tolngou Singh of Mongsangei.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Dated/Hiyangthang, the 15th Jan., 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 Petitioner গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি খুল নং 77-Mongsangei পাট্টা নং 455 (অরিবা) 316 (অনৌবা) গী হাল দাগ নং 1076 (অরিবা)গী এরিয়া 1.21005 acres চাওবা লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মমিংদা নমজরি তৌবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা মরী লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং ২২/০১/২০২১ ইং, ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা নৎত্রগা অইবা চেরোলনা আপত্তি/ওবজেক্সন তৌবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

***Sd/-* Sub-Deputy Collector**
Imphal West, Hiyangthang

HL-P/8585/16

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST, HIYANGTHANG

**Ref :- Mutation Case No. 34/SDC/IW/H/2021**
1. Soibam Nilabati Devi, W/o (L) S. Iboyaima Singh of Mongsangei Mayai Leikai. (0.32993 acres)
2. Soibam Arunkumar S/o (L) S. Iboyaima Singh of -do- (0.20 acres)
3. Thounaojam Premita Devi W/o Soibam Arunkumar of -do- (0.20 acres)

-Vrs-

Soibam Kullachandra Singh S/o (L) Tolngou Singh of Mongsangei.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Dated/Hiyangthang, the 15th Jan., 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 Petitioner গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি খুল নং 77-Mongsangei পাট্টা নং 445 (অরিবা) 317 (অনৌবা) গী হাল দাগ নং 1428 (অরিবা)গী এরিয়া 0.72993 acres চাওবা লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মমিংদা নমজরি তৌবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা মরী লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং ২২/০১/২০২১ ইং, ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা নৎত্রগা অইবা চেরোলনা আপত্তি/ওবজেক্সন তৌবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

***Sd/-* Sub-Deputy Collector**
Imphal West, Hiyangthang

HL-P/8585/16

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST, HIYANGTHANG

**Ref :- Mutation Case No. 36/SDC/IW/H/2021**
1. Soibam Ekendra Singh S/o (L) S. Kullachandra Singh of Mongsangei Mayai Leikai. (0.06 acres)
2. Lehendra Soibam S/o S. Ekendra Singh of -do- (0.10acres)
3. Edwin Soibam S/o S. Ekendra Singh of -do- (0.10 acres)
4. Soibam Nilabati Devi W/o (L) S. Iboyaima Singh of -do- (0.085 acres)
5. Thounaojam Premita Devi W/o Soibam Arunkumar of Mongsangei Mayai Leikai. (0.05 acres)

-Vrs-

Soibam Kulchandra Singh S/o (L) Atongou Singh of Mongsangei.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Dated/Hiyangthang, the 15th Jan., 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 Petitioner গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি খুল নং 77-Mongsangei পাট্টা নং 1149 (অরিবা) 313 (অনৌবা) গী হাল দাগ নং 1187 (অরিবা)গী এরিয়া 0.395 acres চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মমিংদা নমজরি তৌবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা মরী লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং ২২/০১/২০২১ ইং, ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা নৎত্রগা অইবা চেরোলনা আপত্তি/ওবজেক্সন তৌবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

***Sd/-* Sub-Deputy Collector**
Imphal West, Hiyangthang

HL-P/8585/16